## গ্রামালোকপাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) : সাহিত্য একাদেমি ন্যু দিল্লি অমসুং প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স ফোরম মণিপুর অনীনা খূৎশম্নদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী কংলা গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চন্না লৈবা ফকুং অৱাং লৈকাইগী কম্যুনিটি হোলদা গ্রামালোক পাঙথোক্তুনা অইবা কয়ানা শৈরেং পানখ্রে।

থৌরম অসি মরুওইনা সাহিত্য একাদেমি ন্যু দিল্লিনা খুঙ্গংগী মফমশিংদা নৌহৌননা সাহিত্যগী ঈথিল পীবা ঙম্নবা পায়খৎলকপা থৌরাং অমনি। থৌরম অসিদা সাহিত্য একাদেমি মণিপুরী এদভাইজরি বোর্দকী কনভিনর এন কিরনকুমারনা চ্যেরমেন ওইনা শরুক য়াখি হায়না প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএসন মণিপুরগী সেক্রেটরি ইবোসনা খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## লম্বী শেম্বগী থবক য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) : বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ওইনাম এ সীগী য়ুম্নাম খুনৌ অমদি কৈনৌগী মরক্তা ইন্টরভিলেজ বাইপাস তৌনবা কিলোমিটর ৪ রোম শাংবা লম্বী শেল্লিবা অসি ঙসি এম এল এ, এল রাধাকিশোরনা মীয়ামগা লোয়ননা য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎকা মরী লৈননা এম এল এ, এল রাধাকিশোরনা হায়খি, হৌজিক শেল্লিবা লম্বী অসিনা ওইনামদগী য়ুম্নাম খুনৌ অমদি কৈনৌ ফাওবা দাইভর্সন পীবা য়াবা লম্বী অমা শোয়দনা ওইরগনি। লম্বী অসি শেম্বা লোইরক্লবদি টিদ্দিম লম্বীদা ট্রাফিক জ াম থোক্লিবা অসি হন্থহনবদসু মতেং ওইরগনি। শেল্লিবা লম্বী অসিসু মীয়াম্না য়াম্না মরুওইবা লম্বী অমা ওইনা শীজিন্নগদৌরিবনি। লম্বী অসিগী নাক-য়েৎতা লৈরিবা মীওই কয়ানা লম খরা-খরা কখোরকপনা মায় পাক্না লম্বী অসি শেম্বা ঙম্বনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## লম-তু শেঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস): লমদমসিবু লুনা নান্না থম্নবগী পান দমদা য়ং গর্লস হেলপিং এসোসিএসন থৌবালগী মেম্বরশিংনা শিন্দুনা লম-টু শেংবগী থৌরম অমা ঙরাং ৱাইখোম মণি গর্লস কোলেজ থৌবাল ওক্রমগী কেম্পস মনুং অমদি মপান্দা পাঙথোকখ্রে। কোলেজ অসিগী টিচিং, নন টিচিং ষ্টাফশিং অমদি প্রিনসিপাল ডা. এ ইবেতোননা মপুং ফানা শৌগৎতুনা শিং- শেংবগী থবক অদু পাঙথোকখিবনি হায়রি।

## GAS NEWS

**ATHOKPAM INDANE WANGJING & KHONGJOM**
Booking Upto:23/06/2019
Valid From:11/06/2019
**Stk : 612 (CTC)**
Timing : 07.30am to 10.00am

**CANCHI INDANE SERVICE**
**Booking Uptodate**
**14 Kg Stk : 234**
**5 & 19 Kg Available**
Timing : 08.00am to 10.00am
(First Come First Serve)

**HIYANGTHANG INDANE**
Booking Upto:23/05/2019
Valid From:19/05/2019
**Stk : 306**
Timing : 07.00am to 10.00am

**JEMON GAS, CHINGAMATHAK**
**Sl. No. Upto - 59800**
Booking Upto:13/05/2019
Valid From:24/04/2019
**Stk : 612**
Timing: 07.00am to 09.00am

**KHONGNANG (BISHNUPUR)**
Booking Upto:09/06/2019
Valid From: 31/05/2019
**Stk : 306**
Timing: 07.30am to 10.00am

**LEIBAKLEI GAS, KAKCHING**
Booking Upto:29/06/2019
Valid From:08/06/2019
**Stk : 612**
Timing: 07.30am to 10.30am

**LAMSANG GAS AGENCY**
Booking Upto:25/06/2019
Valid From: 21/06/2019
**Stk : 306**
Timing: 07.00am to 10.00am
(First Come First Serve)

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
**Sl. No. 6301 – 7060**
Booking Upto: 06/06/2019
Valid From: 03/06/2019
**Stk : 234**
**19 Kg Stk : 48**
Timing:07.00am to 11.00am

**RBD GAS AGENCY**
Booking Upto:15/06/2019
Valid From:23/05/2019
**Stk : 612 (Only CTC)**
Timing:06.30am to 10.30am

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
Booking Upto:30/06/2019
Valid From:17/06/2019
**Stk : 306**
Timing:07.00am to 10.00am

**J RONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking Upto:14/05/2019
Valid From:12/05/2019
**Stk : 306**
Timing:06.30am to 09.30am

**M/S BASHIKHONG INDANE**
Booking Upto:22/05/2019
Valid From:11/05/2019
**Stk : 288**
Timing:07.00am to 10.00am
(First Come First Serve)

**SAWOMBUNG'S INDANE**
Booking Upto:01/06/2019
Valid From:21/05/2019
**Stk : 306**
Timing:07.30am to 10.00am

# 'হিয়াংলম এ সিদা স্কুল মটিক চানা শাবীদ্রে'

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস): মহৈরোয় শেমগৎ-শাগৎপগী নমাদা ফোংনা শগুন তৌবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবশিংগী মথক্তা অথুবা মতমদা একশন লৌখৎত্রবদি লোগী মতেং লৌরগা থবক চৎথবা হৌরগনি হায়না সেকমাইজিন জি পি লেবেল এম পি সি এস লিমিটেটকী প্রসিদেন্ট কোন্থৌজম মরিয়ানা ফোংদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মরিয়ানা মখা তানা হায়, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট জোনেল এদুকেসনগী ওফিস জেদ ই ওনা কোনবা ককচিং হিয়াংলম কেন্দ্রগী মনুংদা লৈরিবা মরু ওইবা লৈঙাক্কী স্কুলশিং অয়াম্বনা মুৎপা য়াওরে, খরা অমসু মাংখিবা য়াবগী থাক্তা লৈরে। মসিদা অচৌবা ফেক্তর অমা ওইবদগী খুঙ্গংগী লাইরবা শেন্থোক লম্বি লৈজদ্রবা ইমুং মনুংগী মীওই কয়াগী মচা মশুশিং মহৈ মশিং তম্নবা শেম্নবা হোৎনবদা কোক্তা খুৎ হাপ্পুনা চৎলে হায়রি।

জোনেলশিংগী মখাদা মরু ওইনা হিয়াংলম এ সি দা স্কুল বিলদিং মতিক চাদনা লৈবা মফমশিংদা স্কুল বিল্ডিং শাবগী মহুত্তা জোনেলসিদা ইদুকেসনবু শেন্দান লম্বীদা ওন্থোক্তুনা অৱাংবা থাক্তা শেঞ্জা থুমজা কয়ামরুম তোইনা লিশাং শিংনা চৎথরকখিবা অসিগী অরানবা কয়া অসিনা ঙসিদি হিয়াংলম এ সিগী মনুংদা লৈরিবা লৈঙাক্কি লোয়শংশিং অসি মাইবনা খুৎ থারবা খাঙেনফম য়ৌরবা অনাবগী থাক্তা লৈরবা ঙাক্তনি। লৈঙাক অমদি হয়ার ওথোরিটিশিংনা অকুপ্পা মিৎয়েং চংবিদুনা গো টু স্কুল, স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী ৱাহন্থোক লৈহন্নবা হোৎনবিয়ু হায়রি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, ইদুকেসন দিপার্টমেন্টবু মীওই খরনা সেন্দানফম লম্বীদা ওন্থোকতুনা দিপার্টমেন্ট অসিগী ইজৎ সোকপা থবক তৌরিবশিংগী মথক্তা অথুবদা একসন লৌখৎত্রবদি মখা তাবা মখল মখা কয়াগী খোংজং লেপ্পুনা চংশিল্লগনি।

হিয়াংলম এ সিগী মনুংদা স্কুল শাগদবা মরম চাবা মফমদদি স্কুল শাদ্রগা অরানবা থিকদারগী সেন-থুম খরা খক পাম্বগীদমক্তা শাখিবা স্কুল ৮ অসিগী মপু অসি কনানা ওইরিবগে? মরম অদুনা মীয়ামগী মপী মপা ওইরিবা লৈঙাক্কী লমদি মীয়ামগী লমনি। মসিদা ৱাথোক-লান্থোক থোক্তনবা মরি লৈনবশিংনা লৌখৎপা য়াবা থমক লৌখৎপিয়ু হায়রি।

## জি মেইন-২০১৯

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস): টেক্নিকেল এদ্যুকেসন, মণিপুরগী কন্ট্রোল্লরনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না, মণিপুরগী দোমিসাইল ওইবা জি মেইন-২০১৯ থাখিবা মহৈরোয়শিংনা বি ই, বি আর্ক অমসুং বি ফার্ম কোর্সশিংগী ফার্ষ্ট ইয়রদা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট নোমিনি ওইনা মিং চন্নবগীদমক ওনলাইন কাউন্সেল্লিং তৌনবা রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়ারগনি হায়না খঙহল্লক্লি। জুন ২৮ দগী হৌরগা জুলাই ৬ ফাওবা চথুগদবা রেজিষ্ট্রেসন প্রোসেস অসি মহৈরোয়শিংনা ৱেবসাইট www.csab.nic.in দা চঙলগা তৌবা য়াগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক ওফিস ওফ দ কন্ট্রোল্লর ওফ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন, মণিপুরদা ওফিস মতমদা লাকপা য়াগনি। নৎত্রগনা মথক্তা পীরিবা ৱেবসাইট অসিদা চঙলগা খঙবা য়াগনি হায়রি।

# ষ্টেট লেভেল হেন্দ-ৱাশ কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস): অহানবা ষ্টেট লেভেল হেন্দ-ৱাশ কম্পিটিসন ঙসি সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে হায়না দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস) কী এদিসনল দিরেক্টর ওফ এদ্যুকেসন (এস/এস পি) আর কে তেনেদিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লৈঙাক্কী অমদি গভর্ণমেন্ট এদেদ স্কুল কয়াগী মহৈরোয়শিংনা কম্পিটিসন অদুদা শরুক য়াখি। কম্পিটিসন অসি কেটেগোরি অহুম থোক্না পাঙথোকখি। ক্লাস ৱানদগী ফাইব, ক্লাস সিক্সতগী আইট অমদি ক্লাস নাইনগী টুয়েল্ব ফাওবগী ওইনা পাঙথোকখি। স্কুল হেল্থ প্রোগ্রামগী মখাদা কম্পিটিসন অসি পাঙথোকপনি। দিষ্ট্রিক্ট/জোন ১৭ কী মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াখি। দিষ্ট্রিক্ট লেভেল হেন্দ-ৱাশ কম্পিটিসন পাঙথোক্লবা মতুংদা মহৈরোয় ৩/৩ রেকমেন্দ তৌরকখিবনি। ৱিন্নরশিং ষ্টেট লেভেল কম্পিটিসনদা শরুক য়াগনি। দিষ্ট্রিক্ট/জোন ১৭ তগী রেকমেন্দ তৌরকপা মহৈরোয় ৪৯ না কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এদ্যুকেসন (এস) কী দিরেক্টরনা স্কুল মহৈরোয়শিংনা তোঙান তোঙানবা কম্পিটিসন কয়াদা শরুক য়াবগী তঙাইফদবা কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি।

ষ্টেট লেভেল হেন্দ-ৱাশ কম্পিটিসনগী তোঙান তোঙানবা কেটগোরিশিংদা মকোক-মথং তাখ্রবশিংদি গ্রুপ ৱান (ক্লাস ৱান টু ফাইব) তা তুইবোং হায় স্কুল, চুড়াচান্দপুরগী নেংঙাইহিং লুফেংনা ফর্ষ্ট, সী জালেন প্রাইমারী স্কুল, ফেরজোলগী চিংবেকনুংনা সেকেন্দ অমদি জে এম বাবুপারা জুনিয়র হায় স্কুল, জিরিবামগী টি ঐচ অহেননা থর্দ তাখি। গ্রুপ টু (ক্লাস সিক্সতগী আইট) তা ৱাংখৈ হায় স্কুলগী থোকচোম লনচেনবী চনুনা অহানবা, মোদেল ভিলেজ গভর্ণমেন্ট হায় স্কুল, তমেংলোংগী গ্লোরিয়া কামনৈনা অনীশুবা অমদি জাফৌ য়ু পি এস, চান্দেলগী এন জি ক্লিরিসা মোন্সাংনা অহুমশুবা তাখি। গ্রুপ থ্রী (ক্লাস আইটকী মথক) তা সার্তুইনেক জুনিয়র হায় স্কুল, ফেরজোলগী শারোননা অহানবা, তেন্থা হায় স্কুলগী এম সয়ালক্ষ্মীনা অনীশুবা অমসুং তুইবোং হায় স্কুল, চুড়াচান্দপুরগী নেংনৈহোই হাওকিপনা অহুমশুবা তাখি হায়রি।

## প্লাষ্টিক খাউগী মহুত্তা চেগী খাউনা মহুৎ শিল্লসি: টি ঐচ মুহিন্দ্রো

ইম্ফাল, জুন ২৯: ঐখোয় পূন্না হিংমিন্নসি হায়বা থিমদা পাঙথোকপা চেগী চেখাউ শাবগী ট্রেনিং অমা থাসিগী ২৪ দগী ইম্ফাল ইষ্টকী হরাওরোক ময়াই লৈকাইদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা চৎথরকপা অদু ঙসি লোইশিনখ্রে।

সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিবিটেটকী সবসিদরি য়ুনিৎ অমা ওইনা স্মার্ট সোসাইটি ইম্ফালনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকখিবা চেগী খাও শাবগী ট্রেনিং লোইশিনবগী থৌরম অদুদা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ডিভলপমেন্ট পার্টি (এন ই আই দি পি)গী ইগজিক্যুটিব মেম্বর টি ঐচ মুহিন্দ্রো, স্মার্ট সোশাইটিগী এডমিনিসট্রেটিব ওফিসার কে বেনি, প্রোগ্রাম সুপরভাইজর কে সুসিত্রা, প্রোগ্রাম কো ওরদিনেতর এন লুসি অমদি খুন্দ্রাকপম এ সি গী কেওরদিনেতর এন মুবিনা মথংশিংনা দেজতা ফমখি।

থৌরম অদুদা এন ই আই দি পি গী ইগজিক্যুটিব মেম্বর টি ঐচ মুহিন্দ্রোনা ফোংদোকখিবদা প্লাসটিক্কি খাও মুথৎলসি মদুগী মহুত্তা চেগী খাও ওইনা সিজিন্নরসি। প্লাষ্টিক্না পোলুসন থোকহল্লগুমসি। অদুগী মহুত্তা চেখাওনা মহুৎ শিল্লসি। সোসাইটি অসিদা ইয়োং ফি সাবীশিং থবক তৌহনসি। দুকান ফম্বশিংদা অপিকপা শেনফম পিদুনা থবক তৌহল্লি। অহানবা ফেজ ওইনা নুপী ৫০ ট্রেনিং পিদুনা চেখাও শাবগী থবক চৎথরি। মখা তানা তোঙানবা মফমশিংদা চৎথগনি হায়রি।

## মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা থিগৎপীয়ু : কম্মিটি

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস): রাজ্য সভাগী এম পিগী লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী খুন্দ্রাকপম এ সীদা থবক তৌদনা শেল লৌথোকখ্রে হায়বগী চিংনবা পাউ ফংলে হায়না পিছ এন্দ দিভলপমেন্ট কোওর্দিনেটিং কম্মিটি, খুন্দ্রাকপম এ সীগী জেনরেল সেক্রেটরি থৌদাম হেমজিৎনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে। মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা হেমজিৎনা হায়খি, রাজ্য সভাগী এম পিগী লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী থবক শুদনা শেল লৌথোকখ্রে হায়বগী চিংনবা পাউ ফংবদগী থিগৎপা মতমদা ঙাইরাংবম পব্লিক পোন দগী লুপা লাখ ৫ গী সেঙ্কসন থোকখ্রগা থবক তৌদনা শেল কায়থোকখ্রে। কম্যুনিটি পোন্দ, হরাওরৌদা ফেন্সিং খাবনচিংবগী সেঙ্কসন ওর্দর থোকপা লৈখি। হায়রিবা অসিসু থবক শুদনা শেল লৌথোকখ্রে। লান্না তৌরম্বশিং দিপার্টমেন্টনা থিগৎপীয়ু।

## চহী ১০ ফাদোক...

*লামায় ১গী মখা...* উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসল জজ (পোক্সো), ইম্ফাল ইষ্ট মাইবম মনোজকুমারগী কোর্টনা ঙসি ফাদোক পীরে হায়দুনা ওপন কোর্টতা লাউথোকখ্রবা মীওই অদুগী মমিং সেরাম চিংলেন কৌই। মশাগী চহী ২৬ লোম শুরে। খুরাই অঙোম লৈকাইদগী এস ইঙোচাগী মচানুপানি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)তা লায়কন্নখিবী নুপীমচা অদুবু নুপী সোসল ৱর্কর অমা য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট (দি সী পি য়ু)না হকথেংননা চৎতুনা উনরুবদা থৌদোক্তুগী ৱারী পূম্নমক লিরকপদগী অহানবদা ৱিমেন পুলিস ষ্টেসন ইম্ফাল ৱেষ্টতা রিপোর্ট তৌরক্তুনা পুলিস ষ্টেসন অসিনা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্স্যুএল ওফেন্স (পোক্সো) এক্ট, ২০১২গী সেক্সন-৬কী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। অদুবু থৌদোক থোকখ্রিবা মফম অদু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবনা কেস অদু ৱিমেন পুলিস ষ্টেসন, ইম্ফাল ইষ্টতা ট্রান্সফর তৌখিবনি।

পুলিস ষ্টেসন অসিনা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথুরবা মতুংদা চার্জশীট থাগৎলকখিবদগী কোর্টতা ৱায়েল চথুরকখিবনি। ৱায়েল অসিগী হিয়রিং থাসিগী ২১দা পাঙথোক্লগা মহাকপু মরাল লৈরে হায়দুনা লাউথোকখিবনি। অদুগা ফাদোক্কী মতম লেপথোক্লবগীদমক সেন্টেন্স হিয়রিংনা ঙসি পাঙথোকখিবনি। অদুম ওইনমক মহাক্না কেস অসিগা মরী লৈননা জুদিসল কষ্টদিদা লৈখিবা নুমীৎশিং অদু মহাক্কী ফাদোক্কী মতম অসিদগী ককথগনি হায়রি। লোয়ননা ঙসিগী সেন্টেন্স হিয়রিংগী ওর্দর অসিদা থৌদোক অসিগী ভিক্টিম অসিগীদমক মহাক্কী মমাগী খূৎথাংদা ভিক্টিম কম্পেন্সেসন স্কিম ফোর ৱিমেন ভিক্টিমস/সর্ভাইভরস ওফ সেক্স্যুএল এশোল্ট/আদর ক্রাইমস, ২০১৮গী মখাদা লুপা লাখ ৫গী শেনফম পীনবসু খঙহনখি।

# ঈশিং য়োক্তুনা থম্নবগী পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা মণিপুরগী গভর্ণরনা ঈশিং টেঙ্কি য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচ এন এস) : ঈশিংবু লিক্না শিজিন্নদুনা য়োক্তুনা থম্নবগী পান্দমদা ঙসি রাজভবন, ইম্ফালদা পাংথোকখিবা থৌরম অমদা মণিপুরগী গভর্ণর পদমানাভা বালকৃষ্ণনা ঈশিং লিটর ১০০০ অমা চনবা টেঙ্কি ওর্ফানেজ এন্দ ওল্ড এ হোম অমদি লুপ কয়াদা য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মহাক্না হায়খি ঐখোয়না ইন্দিয়াবু মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওইহনসি হায়রবদি শোল্লবা অমদি থবক ফংদ্রিবা খুদিংমকপু থৌনা হাপ্পিবা মথৌ তাই। লোয়ননা মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, ঙসি ঐখোয়না ঈশিং য়োক্তুনা থম্নবগী থৌরাং পাইখৎহৌদ্রবদি তুংদা অৱাবা কয়া অমা শোয়দনা মায়োক্নরগনি। ঈশিংনা পুন্সিনি, তুংগীদমক ঈশিং য়োক্লগা থম্নবা হোৎনসি। ঈশ্বরনা ঐখোয়দা নোং ওইনা থৌজান পীবিবনি অদুনা ঈশিং য়োক্তুনা থম্নবা হোৎনসি অমদি হৈশিংনা ঈশিং শিজিন্নবা মথৌ তাই। মদুনা ষ্টেট অসিদা থেংনরিবা ঈশিংগী অৱাবশিং অসি খর মখৈদি কোকহনবা ঙমগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা ওল মণিপুর সিনিয়র সিটিজন ৱেলফেয়র এসোসিয়সন, মহিলা কলয়ান সমিটি, ওল মণিপুর মেন্টেলি হেন্দিকেপ পর্সন ৱেলফেয়র এসোসিএসন, মৈতৈ লৈমরোল শিনাই শঙ, স্নেহ ভবন দি এদিক্সন সেন্টর, ওর্গনাইজেসন ফোর দ অন্দরপ্রিভিলেজ গ্রুপ, তাবিথা চিলদ্রেন হোম অমদি দেষ্টিট্যুট চিলদ্রেন হোমনচিংবদা ঈশিং য়োক্লগা থম্নবা ঈশিং টেঙ্কশিং অদু য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা ঈমা কৈথেলগী ঈশিং টেঙ্কি ৫ য়াওনা পূন্না টেঙ্কি ৪০ য়েন্থোকখি হায়রি।

## কবুইদি কবুই ওইনা অদুম্মক হিংগনি : ডা. হিরা

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী পুৱারী হোংবা য়ারোই, কবুইদি কবুই ওইনা অদুম্মক হিংগনি হায়না মণিপুর কবুই য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ডা. হিরা কবুইনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ডা. হিরানা হায়খি, মণিপুরগী কবুই ফুরুপ অসি ৩৩ এ দিদগী শাগোন্নদুনা লাক্লবা মৈতৈগা কবুইগা থাদোক্নবা য়াদ্রবা অমা ওইনা লৈরক্লবনি। কবুই সলাং মাইবা কাউথোকপা য়ারোই। কবুই ফুরুপ মাঙখ্রে হায়বসি হায়মল্লি। গান ঙাই হায়বসি কবুই লোলনি। লিদর অমা ওইরগদি মণিপুরগী হিষ্ট্রি খঙবা চঙই।

মণিপুর চেকখায়হনবা য়ারোই, মণিপুর কায়হন্নবা থবক তৌরক্লবদি কবুইশিংনা তুমীন্না লৈথোক্লোই। কবুই জেলিয়াংরোংগী মহুৎতা রোংমৈনা শিনখ্রে হায়বসি লাল্লি। মণিপুরগী পুৱারী খঙদবদগী হায়বনি। মতিক চাবা লিদরনি হায়রগা মপা-মপুগী পোক্নফম কাউথোকপা অমদি পংঙাং ঙাংবসু ফৎতে।

গান ঙাই হায়বসি কনাগী লোলনো ঐখোয় কবুইগী লোলনি। লাইরিক খরা পাউ অমসুং মণিপুরগী পুৱারী খঙউ। মণিপুর লমদমসিগী ওইনা য়েলহৌঙেদগী কবুই হায়বসি শাগোন্নদুনা লাক্লবনি। হৌজিকসু কবুইনা কবুইগী নাৎ, কলচর, লোল ঙাক্না চৎলি। কবুই ফুরুপনা হিংলিবমখৈ ঙাক্না চৎকনি, কবুইদি কবুই ওইনা হিংগনি হায়খি।

## লৈঙাক্কী থবক...

*লামায় ১গী মখা...* বি জে পিদা চঙখিবা অদু টেক্নিকেল্লি য়েংলগদি ওপোজিসনরোমদা অদুম্মক লৈরি। এসেম্ব্লী ফম্বা মতমদসু মখোয় ওপোজিসনগী মায়কৈদা ফল্লিবনি। কোংগ্রেসকী এম এল এ খরা বি জে পিদা চঙবগী ৱাফম লৈরোই। লুপকদৌরবা নৌনা হিদা কনানসু তোংনিংলোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## জিরিবাম-ইম্ফাল ...

*লামায় ১গী মখা...* পায়খৎকদবা ব্রোদ গেজ রেল লম্বী শেম্বগী থবক অসিদা লুপা ক্রোর ৬,৯৬৯.৪৯ হৌখিবা মার্চ ৩১ ফাওবদা চঙখ্রে। কুমজা ২০০৩-২০০৪ দা জিরিবামদগী ইম্ফাল ফাওবা কিলোমিটর ১১০.৬২ শাংবা ব্রোদ গেজ লাইন শেম্নবগী প্রোজেক্ট অয়াবা পীখিবনি। কুমজা ২০১৭ কী মার্চতা জিরিবামদগী বঙ্গাইচুংপাও ফাওবা কিলোমিটর ১২ শাংবা লম্বী শেম্বগী থবক পায়খৎপা হৌখি। প্রোজেক্ট অসিগীদমক লেন্দ এক্বিজিসন তৌরগা রেলৱেজদা খুৎশিন্নরকখি।

ভিজন দোক্যুমেন্ট ২০২০গী মতুং ইন্না কুমজা ২০২০ ফাওবদা অৱাং নোংপোক ষ্টেট পুম্নমক্কী কেপিটেল সিটিশিং শেম্নহন্নবগী পান দমদা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। অহানবা তাঙ্কক্তা অসাম, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং ত্রিপুরাগী ষ্টেট কেপিটেলশিং ব্রোদ গেজ রেল নেটৱর্কনা শম্নহনবা ঙমখ্রে। ৱাংহৌরিবা শরুকশিং অপিবা মতমগী মনুংদা লোইশিনবা ঙম্নবগী পান্দমদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা হৌখিবা চহী ৫ রোম অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা লাক্লি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

## চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ভুপেন্দর...

*লামায় ১গী মখা...* উনখি। মিনিষ্টর বিস্বজিৎ, মিনিষ্টর রাধেশ্যাম অমসুং চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগা তোখায়-তোখায়না উনখিবা অদু বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দগী খূৎথাংদা কৌহল্লগা উনখিবনি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা উনবা অদুদা হৌজিক-হৌজিক চুংশিন্নবা লৈঙাক পায়মিন্নরিবশিংগী মরক্তা লৈরিবা নুংঙাইদবা ৱাফমশিং অমদি বি জে পি মনুংদা উংখৎনরিবশিং অসিগী মতাংদা ৱারী শানখি। ভুপেন্দর য়াদবকী মায়কৈদগীসু ষ্টেট অসিদা অফবা লৈঙাক অমা লৈহন্ননবা ৱাফম থল্লকখ্রে হায়রি।

ঙসি নুমিদাং বি জে পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি ভুপেন্দর য়াদবনা ষ্টেট অসিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট অৱাংবৌ ন্যুমাইগসু উনখি হায়রি।

বি জে পি মনুংদা লৈরিবা উংখৎনবশিং অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর শিন্দোকউ হায়রিবা এম এল এ, মিনিষ্টরশিং উনখ্রবা মতুংদা তোখায়-তোখায়না চীফ মিনিষ্টর অমদি মিনিষ্টর অনীগা ঙসি উনখিবনি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন শিন্দোকউ হায়রিবা এম এল এ, মিনিষ্টরশিংগী কাঙবু অমসুং চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু য়াবা কাঙবুগী মরক্তা অমনা অমগী খোঙফমশিং য়েংশিন্নদুনা লৈনরি।

পার্টি মনুংদা লৈরিবা উংখৎনবা অসিগা মরী লৈনবা রিপোর্ট অমা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিট শাহদা ভুপেন্দর য়াদবনা লানখৎকদৌরি। রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না সেন্ট্রেল লীদরশিংনা করি করম্বা থৌশিল পায়খৎলক্তুনা উংখৎনরিবা অসিগী ৱারোইশিন পুরক্কদগে হায়বদুদি চপ চানা খঙদ্রি। হৌজিকমক্কী ওইনদি লুচিংবা শিনবা-শিন্দবগী ৱাফম লৈখায় তাবা ঙমদ্রি। অদুম্মকপু চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিগী থবক থৌরমশিংদা সেন্টরগী লুচিংবশিংনা কুপশেন শেন্নরগা য়েংশিল্লক্কদৌরি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারক্লি।

## ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস): দ্বুইলালেন্দদা লৈবা মণিপুর ক্রিএটিভ স্কুলগী বোর্দিংদা লৈদুনা ক্লাস সেবেন তম্লিবা লিলোং চাওবোক অরাপতিদগী এমদি তাজ অহমদ খানগী মচানুপাবু চহী অসিগী মে ৩ দা ষ্টিয়ারদগী ওন্থরকপনি হায়জিল্লগা শিজ হোস্পিটালদা ৱাখল তাদনা থমজিল্লল্লগা ঙসি ফাওবা স্কুলগী মায়কৈদগী হন্না য়েংলক্তববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি লিলোং চাওবোক অরাপতিদা তাজ অহমদকী ইমুং-মনুং, জে এ সী অমদি লৈকায়গী মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অশেংবা লংলা-লংজিল পুথোক্তুনা ৱারোইশিন অমা পুরক্ত্রবদি মখা তানা অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীগী কনভিনর দল্লিয়ু প্রেমানন্দনা ৱাকৎ মীফম অদুদা মরী লৈননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, কোক্তা শোকপদগী ৱাখল তাদনা লৈরিবা অঙাং অদু হোস্পিটালদা থমজিল্লম্বদগী ঙসি ফাওবা স্কুল ওথোরিটিনা হন্না য়েংলদবা অসি য়াম্না লাইবক থবীনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা জে এ সীনা থিজিল্লবদা স্কুল ওথোরিটিশিংনা মান্নরগা অঙাং অসিবু হাৎনবা হোৎনরবরা হায়বগী চিংনবা লৈরে। অসিগুম্বা থৌদোক অসি মখা তানা থোক্তনবা মণিপুর ক্রিএটিভ স্কুলবু লমদম অসিদগী মাঙহনবা হায়বা অসি জে এ সীগী অপাম্বনি। মণিপুর লৈঙাক্না অথুবদা মীৎয়েং চঙবীদুনা থৌদোকসিগী অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোকপীয়ু হায়খি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা লংলা-লংজিল অমদি অচুম্বা ৱায়েল ফংনবা মহৈরোয়শিংগী লূপশিং অমদি লন্নাই লূপশিংনা জে এ সীগী মতেং পাংবীয়ু। জে এ সীগী দিমান্দ অসি অথুবদা ফংহন্দ্রবদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিন্নবসু শেম-শাব লোইরে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

এমদি তাজ অহমদ খাননা ফোঙদোরকপদা, চহী অসিগী মে ৩ গী নুমীদাং পুং ৮.১৫ দা স্কুলদগী ফোন তৌরক্লগা ষ্টিয়ারদগী ওন্থরগা ৱাখল তাদনা লৈরে হায়না পাউ পীরকখি। স্কুল অসিগী বোর্দিংদা লৈদুনা মহৈ তম্লিবা অশোকপা মহৈরোয় অসি হেক মনাওনুপানা উনজগে অমুক্তা পুবীরকউ হায়বদসু পুবীরকখিদে। মমৈথংদা নোংঙাল্লগা পুরগা লাকখি হায়খি।

## খুন্নাইসিগী লৈরিবা ফীভমসিদা...

*লামায় ১গী মখা...* বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি কয়াগা পুন্না লৈঙাক পায়মিন্নরি। মসিদা কোংগ্রেসতি এল্লাইয়ন্স পার্টনর নত্তে। অদুবু কোংগ্রেসতগী কাখিবা এম এল এ কয়া অমনা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিদা শৌগৎলগা লৈরি। কোংগ্রেস পার্টিনা এল্লাইয়ন্স পার্টনর ওইদবা ফীভমসিদা কোংগ্রেসকী এম এল এ কয়ানা বি জে পিদা শৌগৎপা অসিসু খন্ননিংঙাই ওইবা ৱাফম অমনি। মীয়ামগী থবক থৌদাদা লৈঙাক্না মায় ওনশিনবা চুমগনি। য়াইফ- থৌরাংগী ওইবা কয়া থবক্না উৎপা তাই। চীন্দা খক ঙাঙবনা য়ারোই হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

## কম্বাইন্দ টিমনা লুপা ক্রোর ১০০...

*লামায় ১গী মখা...* উনবা অমদা নাবকী এস পি দল্লিয়ু বাশুনা হায়খি, লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লিলোং দাম এরিয়াদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক হিরোইন ব্রাউন সুগর শুংফম ফেক্তরি অমা লৈরে হায়বা চপ চাবা পাউ ফংখি। পাউ অদুনা য়ুম্ফম ওইরগা নাবকী এস পি দল্লিয়ু বাশুগী মীৎয়েং মখাদা নাবকী এদিস্নেল এস পি, টি ঐচ ব্রিন্দা, নাবগী ও সী, বি রিসিকেশনা লুচিংবা টিম অমসুং থৌবালগী এদিসনেল এস পি, এস সচিদানন্দ য়াওবা কম্বাইন্দ টিমনা অঞ্জুমানগী মতেং লৌদুনা ঙসি অয়ুক পুং ৪ রোম তাবা মতমদা লিলোং দাম মনাক্তা লৈবা এম দি মতলিপকী য়ুমদা থিবা-হুম্বগী থবক চথুখি। য়ুম অদুদা ব্রাউন সুগর শুংবগী ফেক্টরি হাংলম্বগা লোয়ননা মফম অদুদা লৈরম্বা ব্রাউন্দ শুগর কেজি ১১১.৯১৫ ফাগৎখি হায়রি।

এস পি বাশুনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, হিরোইন ব্রাউন সুগর শুংফম ফেক্টরি অদুদা লৈরম্বা তোঙান-তোঙানবা কেমিকেলশিং অমদি খূৎশু-খূৎলায় কয়াসু ফাগৎখি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুদা সুনু, পোৎ-চৈ চপ্পুনা থাংদোক থাংজিন তৌবদা শীজিন্নবা খূৎলায়, য়োৎকী প্লেতশিং, প্লাস্টিক্কী বিন, রবরগী হেন্দগ্লোব, এল পি জি গ্যাস সিলিন্দর, অঙৌবা ফীরোলশিং অমদি অতৈ ফিরোল খরসু য়াওখি।

ঙসি কম্বাইন তিম্না ফাগৎখিবা হিরোইন ব্রাউন সুগর কে জি ১১১.৯১৫ রোম অসি মালেমগী কৈথেলদা চাওরাক্না লুপা ক্রোর ১০০ রোমগী ওইগনি। ময়াই কাবা হিরোইন ব্রাউন সুগরগা কোন্ননা ফারবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা কেশ অমা লৌখত্তুনা থিজিনবা হৌরে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ঙরাং নুংথিল পুং ৪.৩৫ রোম তাবা মতমদা নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়র্স ওফ বোর্দরগী তিম অমনা শুগনু পুলিস ষ্টেসন মনুং চনবা হোংকোং ভেং খুন্দা থি হুম্বা চৎথবদা কানি কেজি ৫.৪৬৩ গা কোন্ননা মীওই অহুম ফারে। কানিগা কোন্ননা ফারবা মীওই অহুম অদুদি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চকপীকারোং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা গেলঙাই খুন্দগী পাওসেল্লাল তুংদিম (৩২) অপোকপা ঙাংশুনপোক তুংদিম, খুল অসিমক্তদগী মাঙনু তুংদিম (৩৫) অমদি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী দি সি লমখায়দা লৈবা অরোন নংশা (৩৭) অপোকপা কোথৌ নংশানি। মখোয়দগী কানি কেজি ৫.৪৬৩ ফাগৎলে। মখোয়গী মথক্তা নাবনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা থিজিনবা হৌখ্রে হায়রি।

## রেখা মীহাৎ : লৈখিদ্রবীগী পোকমিন্নবা মবুং প্রিয়োকুমারনদি মপুরোইবা...

*লামায় ১গী মখা...* মচীন-মনাও নুপা ২, নুপী ২ পূন্না মরিনি। মহাক্না খ্বাইগী অহল ওইরগা লৈখিদ্রবী মচন্নুপী রেখা (মেমচা)না অহুমশুবনি। মহাক মণিপুর ষ্টেট পাৱর দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল)না ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট ওইরিঙৈদা এদিসনেল চীফ এঞ্জিনীয়র (এদিসনেল সী ঈ) ফাওবগী থাক্তা থবক তৌরম্লগা হৌজিক্না সুপরএন্যুয়েসন পেন্সন ফংদুনা য়ূমদা লৈরবনি।

উনবসিদা মহাক্না হায়, মখোয়গী অহলশিংগী মতমদগী ৱাংজিংদা লৌ পরি ৬ লৈবদগী দিজমণিগী অপোকপা লৈখিদ্রবা এন বাশুদেবতা উহল্লকপনি। মখোয়গী লৌ উরকপদগী খঙনরক্তুনা দিজমণিনা ক্লাস সভেন-আইটনচিংবা তম্লকপা অদুৱাইদগী ইম্ফালদা লাক্তুনা প্রিয়োকুমারগী মবোক্কী য়ূমদা লৈরগা মখা তানা লাইরিক লাইশু তম্লকখিবনি।

মতৌ অসুম্না লৈরকপদগী লৈখিদ্রবীগা মরী লৈনরকপদগী ইমুংগী মীওইশিং খঙলক্তুনা মহাক (দিজমণি) তান্থোকখি। অদুবু ক্বাকৈথেলদা লৈবা মখোয়গী মরী-মতাগী য়ূম অমদা অমুক লৈখি হায়রি। মতম খরগী মতুংদা দিজমণিনা কোলেজগা কাররক্লবা মতুংদা লৈখিদ্রবী মচন্নুপী চেনখিবনি। মসিদা অহল-লমনশিংনা শাওবদগী লুহোংখিদে। কোন্নথংদা 'লৌখৎপা'গী থৌরম পাঙথোকখি।

অদুবু লৌখৎপগী থৌরম অসিদসু দিজমণিনা অউনপোৎ ওইনা স্কুটর অমা হাপতে হায়দুনা শাওবা লৈখি। মসিগী মথংদা মচানুপা পোকপগী ঈপান পাঙথোকপদা মহাক্না অপাম্বা মওংদা চাওনা তৌদে হায়দুনসু শাওখি হায়রি।

থৌদোকশিংসিদগী মহাক্কী চাওরাক্না মশক অমা লেপথোকপা ঙমখ্রবসু দিজমনিনা হিংবদা মতেং পাংনবগীদমক ঐহাক্না এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনীয়র ওইরবা মতমদা কন্ট্রেক্ট ৱর্ক ফাওবা মচা-মচা পীদুনা শূহল্লকখিবনি হায়রি। অদুবু মহাক অনীরক অহুল্লক ফেল ওইরবসু এল এল বি পাস তৌরকপদগী মীরক তিনবা হৌরক্তুনা নীংথিজনা য়ূম পান্দুনা লৈরবোই খল্লুই।

অদুবু চহী খরগী মমাংদা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অতোপ্পা নুপী অমগা মরী লৈনৈ হায়দুনা য়ূমদা নুমীৎ ৪/৫ নি হল্লকখিদবা থৌদোক থোরকপদগী মতম অমদা এদভোকেট জেনরেল ওইরম্বা মীওই ১ ফাওবা য়াওদুনা মহাকপু কোইথি থিবা লৈখি। শীংজ মৈ কৈথেলদসু মুস্লিম নুপী অমা লক্করুই হায়বগী ৱাহৌদগী খৎন-চৈনবা থোকপসু লৈখি। মখোয়গী থবক ইনখাঙ শূরম্বী (অশানবা য়ূমদা লৈরম্বী) নুপী অমগা মরী লৈনরম্বগী ৱাথোকসু লৈখি। অদুগা কাঞ্চিপুরগী হোটেল অমদা নুপী অমগা চৌ ইন্নরম্বদগী প্রিয়োকুমারগী মচানুপা অহল (বোইবোই, ৪০) দা তম্লকপদগী হায়রুবদা দিজমণিনা মদু কনানা হায়বনো হায়দুনা নোংমৈনা কাপকনি হায়দুনা প্রিয়োকুমার মশাগী য়ূমদা শাওনা লাকখিবা থৌদোকসু লৈখি হায়রি।

পাউচে অসিনা লৈখিদ্রবীগী পোকমিন্নবা মবুংগা উনদুনা ৱারী শানখিবা অসিদা মচানুপা বোইবোইসু য়াওখি। মমাং থাগী ২৯দা মচন্নুপী লৈখিদবা থৌদোক্তুগী মতুংদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা মহাক শীংজ মৈ পুলিস ষ্টেসনদা মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট পীরুরে। মহাক্না পুলিসতা পীখিবা ৱারোলশিংদা ঙসি পাউচে অসিদা ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিং অসি লোয়নমক য়াওই হায়রি।

পুলিসতা মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট পীরুরবা মতুং ঙসিদগীনা নুমীৎ ৪/৫ নিগী মমাংদনা মচানুপা বোইবোইসু পুলিস ষ্টেসনদা চৎতুনা মহাক্কী ৱারোলশিং পীরুরে। ৱারোলশিংদুদা মমাংদা থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অদুগী মনুংদগী মহাক্না হকথেংনখিবশিংদি পুলিসতা লোয়না ফোঙদোক্লমখি হায়নসু পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

বোইবোইগী মায়কৈদগী হৌজিক থৌদোক অসি থোকখ্রবা মতুং নুমীৎ ৩০ নি হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা পুলিসকী মায়কৈদগী 'প্রাইম সস্পেক্ট'নি হায়বদগী হেন্না চপ চানা চেন্নবা মীওই পুথোরকপা ঙল্লক্ত্রিবা অসিদদি কেস অসি সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)দা শিন্ননিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি।

অদুবু ৱাফমসিদা লৈখিদ্রবীগী মবুং প্রিয়োকুমারনদি ইনভেষ্টিগেসনগী থবক চাদা ৯০ লোম লোয়শিল্লে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরকপা লৈরে। থৌদোক থোকফমদগী কল্লেক্সন তৌখিবা ইভিদেন্স ওইবা য়াবা পোৎলমশিংগী মতাংদা ফোরেন্সিক এক্সপর্টশিংনা পীবা রিপোর্ট হেক লাকপগা চার্জশীট থাগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরি। মরম অসিনা সী বি আইদা শিন্নবগী ৱাফমসি মতম চাদ্রি, খিত্তং ঙনমল্লি হায়রকখি।

অদুম ওইনমক থৌদোক্তু থোকখ্রবা মতুং নুমীৎ নীনি চোম্থরগা পুলিসনা প্রাইম সস্পেক্টনি হায়রিবা মীওইসি ফাখিবনা থৌদোক অসিগী সর্কমষ্টেন্সেস ইভিদেন্সশিং খরদি মাঙহল্লল্লগদ্রা? মসিনা মরম ওইরদুনা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসনদা খুরৌ থাংহল্লমগদ্রা হায়বগী নুংনাংবা ফোঙদোরকখি।

অদুবু গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলশিংদা ওজা ওইরম্বদগী রিটিয়র তৌরক্তুনা ইচম চম্না লৈজরম্বী মচন্নুপীবু মীহাৎ থিনা হাৎলম্বা থৌদোক অসিগী মতাংদদি অচুম্বা অশেংবশিং থিদোক্তুনা চেন্নবশিং চৈরাক ফংহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনখিগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।




HL-B/5359/27/4-27/5